# ইনাক খুন্নবগী ফোর্মুলা

## (মরিশুবা পন্দুপ : Micro, Small and Medium Enterprises - 2)

— ডা. খুন্দ্রাকপম দেবানন্দা —
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্ট
নোর্থ-ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, তুরা কেম্পস, তুরা, মেঘালয়া
Email: devananda.singh@yahoo.com

ময়াম্বু খুরুমজরি। হৌখিবা চেফোংদা Micro, Small and Medium Enterprises (MSMEs) হায়বশিংসি করিনো হায়বগী ৱাহন্থোক ঐখোয়না পামিন্নখ্রে। ঙসিগী আর্টিকল অসিদা করম্না enterprise অমা মমিং থোনগনি হায়বগী মতাংদা নৈনরসি।

**Enterprise অমা করম্না মমিং থোনগনি ?**

ইন্টরপ্রাইজ অমা মমিং থোনবগী অকক্নবা কাঙলোন অমা লৈজদ্রবসু, থোল্লিবা মমিং অদু ইন্টরপ্রাইস অদুনা তৌরিবা নৎত্রগা তৌগদৌরিবা থবক থৌরমশিংদুগা চান্নহনবা, মীনা হেক পাবদা নৎত্রগা নীংশিংবদা লায়না থোকপা অমদি মমিংদুগী মগুন অমা চেনবা হায়বসি মথৌ তাই। মতাং অসিদা অতোপ্পা ইন্টরপ্রাইসশিংগী মখল হায়বদি Sole Trading, Co-operative, Partnership, Limited Liability অমদি Corporation গী মমিং থোনবগী ৱাফম অসি নাথৈদুনা থল্লগা, ঐখোয়না হৌজিক হৌজিক খন্নরিবা MSMEs লোমদা মায় ওনশিনসি। মখাদা পীজরিবা থৌওংশিংসি অদোমগী ইন্টরপ্রাইস অমা মমিং থোনবদা নীংশিংবীবা য়াই।

**১) মমিং অদু ইশনা খোইদাবা ওইগদবনি :**

থোল্লিবা ইন্টরপ্রাইজ অদুগী মমিং অদু enterpreneur অদুনা খোইদাজবা অমদি মমিংদু উরগা/পারগা/নীংশিংলগা মঙোন্দা থবক তৌনীংবগী ৱাখল পোকহনবা মমিং ওইগদবনি। অদুবু মশানা খোইদাজৈ হায়দুনা শেরান তুরাল, ৱাখল তাদনা পংথোন থোনজিনবদি য়াদে। মতাং অসিদা খুদম অমত্তং পঞ্জগে। Chevrolet Nova হায়রিবা কার অসি কুমজা ১৯৬২দা য়ু এসকী মীওইশিংনা য়াম্না পাম্না লৈনরমই অমসুং কম্পেনিদা শেন্দোং য়াম্না ফংলম্মী। কুমজা ১৯৭২দগী ১৯৭৮ ফাওবদা হায়রিবা কার অসি মেক্সিকো অমসুং স্পেনিশ লোন ঙাঙবা লৈবাকশিংদা মরু ওইনা Venezuela দা য়োন্ননবা কম্পেনিনা হোৎনরম্মী। তৌবতবু স্পেনিশ ঙাঙবা লৈবাকশিংদদি কার অসি ইরৈ লৈনরমদে। কোন্নথংদা খঙলে মদুদি নোভা হায়বগী অর্থ অসি স্পেনিশতা "dose not go" হায়বদি ‘লেংদে’, ‘চৎতে’ হায়বসি ওইরল্লে। ঐখোয়গী ইরমদমগী ওইবা ইন্টরপ্রাইজ খরগী মীং পঞ্জরবদা ও কে হোটেল, লমজিংবা ইন্টরপ্রাইজ অসিনচিংবশিংসি ইরায় লায়না নীংশিংবা ঙন্বা অমদি চান্নবা মমিংশিংনি হায়না লৌবা য়াই।

**২) বনান য়াম্না শাংবা, ইচু চুশিন্নদবা অমদি গ্রমার ইরান লানবা ৱাহৈ য়াওবা মমিং থোনফদে :**

হৌজিক্কী মতমদদি মীওই খুদিংমক থবক লোইনা চিন্নরে। মরম অদুনা মী মীদুনা নোংমগী তৌজরিবা থবক থৌরমশিংদুগী মথক্তা অতোপ্পা থবক অমা হেনজিন্না তৌবা ঙমদে। ইয়ান য়ানশিন্নবা থবক থৌরম কয়া মতম অমখক্তদা তৌরবসু থবকশিংদু মতম চানা লোইশিনবা ঙমদে, ইচাই চাইদুনা লোইশিনফম খঙদে। কুপথনা য়েংবদা অমদি থিজিনবদগী খঙলে মদুদি মীওইবগী থবক তৌবা অমদি ৱাখল খনবা ঙম্বগী চাং অসি চহী অমদি মী মীগী মতুংইন্না খেন্নে। অসুম্না অখঙ অহৈশিংনা তাকপী। ঐগী ইন্টরপ্রাইজ অমগী মমিং পাবীবা, মশক খঙবীবা হায়বসি অতোপ্পা মীওইশিংগীদি অহেনবা থবক অমা ওইগদৌরিবনি। মরম অদুনা বনান য়াম্না শাংবা ৱাহৈ য়াওবা ইন্টরপ্রাইজকী মীংদু কনানসু পানীংলোই। মখা তারকপদা মমিংদুদা ইচু চুশিন্নদবা অমদি গ্রমার ইরান লানবা ৱাহৈ য়াওরবদি কষ্টমরশিংগী ৱাখলদো অতোপ্পা নাকল অমরোমদা খনখিদুনা ইশাগী কষ্টমর ওইবদি লায়রদনা প্রোপেগন্দা তৌরকপসু য়াই।

**৩) ইন্টরপ্রাইজ অদুগী প্রদক্ট/সর্ভিসকী পনখৈ নাইবা মমিং থোনফদে :**

ঐখোয়না ইন্টরপ্রাইজ অমগী মমিং থোনবদা ইন্টরপ্রাইজ অদুনা পুথোক্লিবা প্রদক্ট নৎত্রগা পীরিবা সর্ভিস অদুগী পনখৈ নাইবা মমিং থোল্লবদি ইন্টরপ্রাইজ অদুনা চাওখৎলক্লবা মতমদা চরক চহিংনবা কয়া থোকহল্লি। খুদম ওইনা "Tomba Biscuits" হায়বা মমিংসিনা তাক্লিবসি ইন্টরপ্রাইজ অসিনা মখল অমগী নৎত্রগা মখল কয়াগী বিস্কিট পুথোক্লি হায়বসিনি। বিস্কিট খক্তংগী ইন্টরপ্রাইজ ওইগে খল্লবদি মসিদা করিসু অকায়বা লৈতে। তৌবতবু ইন্টরপ্রাইজ অদুনা অতোপ্পা প্রদক্টশিং হায়বদি ব্রেদস, নিমকি অসিনচিংবা পুথোক্ক খল্লবদি "Tomba Biscuits" হায়বসিগী মহুত্তা "Tomba Bakery" হায়বনা হেন্না খুদোংচাগনি।

**৪) মগুন অমদি ৱাহন্থোক লৈবা মমিং থোনবীয়ু :**

ইনটরপ্রাইজ অমগী মমিং অসি ৱাহন্থোক লৈনা থোনবীরবদি মসিনা ইন্টরপ্রাইজ অদুগী মগুন খরদংদা ওইরবসু হেনগৎহল্লি। তৌবতবু শীজিন্নরিবা ৱাহৈ নৎত্রগা ৱাহৈশিংদুগা ইন্টরপ্রাইজ অদুগা চান্নব্রা, ৱাহৈ অদু ঐনা হেক্তা শীজিন্নবা য়াব্রা হায়বসি মুন্না য়েংবীগদবনি। খুদম ওইনা ‘নেসনল’, ‘শঙাই’, ‘নোংইন’, ‘কংলৈপাক’, ‘মণিপুর’ অসিনচিংবা ৱাহৈশিংসি হেক্তা মমিং থোনবদা শীজিন্নবা য়াব্রা, য়ারবদি অকাইবা লৈতে, য়াদ্রগনা কনাদগী অয়াবা লৌগনি? নৎত্রগনা অতোপ্পা অমা থোনগদ্রা? অসুম্না ৱাখল তানা থবক পায়খৎপীগদবনি।

**৫) মমিংদু ঙাঙথোকপদা লায়বা অমদি পূক্নিং চিংশিনবা ওইহনবীয়ু:**

ইন্টরপ্রাইজ অমগী থোল্লিবা মীংদু চেদা অমদি বোর্দতা ইবদা য়াম্না ফজবা অমদি চুন্নবা ওইবা য়াই। অদুবু চিন্না ঙাঙথোকপদা মমিংদু ইরায় লায়না ঙাঙথোকপা য়াবা অমদি পূক্নিং চিংশিনবা ওইব্রা হায়বদু য়েংবীগদবনি। মসি entrepreneur অদুনা মমিংদু লাউনা পাথোকপা, মাদা নত্তনা অতোপ্পা মীওইশিংদসু হৌনা পাথোকহন্দুনা চাংয়েং তৌথোকপা মথৌ তাই।

**৬) অখঙ অহৈ, মরুপ-মপাং অমদি ইমুংগী মীওইশিংগী মোত লৌবা :**

মথক্তা পীজরিবা গুনশিংসি চেনবা ইন্টরপ্রাইজ অমগী মমিং নৎত্রগা মমিংশিংদু নিংথিজনা চে অমদা ইথোকপীয়ু। ইন্টরপ্রাইজ অমগী মমিং অমখক্তং থোন্নবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা ওইবা য়াবা মমিং অহুম শেন্দ্বীয়ু। হায়রিবা মমিংশিংসি অখঙ অহৈ, মরুপ-মপাং অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা তান্নদুনা খ্বাইদগী চুন্নবা অমদি ফজবা মমিং অদু খনবীগদবনি।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবদি ঐখোয় অয়াম্বনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা পীরকপা মোত অসি ইরায় লায়থোকনৈ অমসুং কয়া ইরৌ লৌগন্দে। মসি অরানবা থৌওংনি। মরমদি ঐনা তৌগদবা থবক থৌরমশিংদু করিনো হায়বসি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা অতোপ্পা অখঙ অহৈ অমদি মরুপ মপাংশিংদগী হেন্না খঙবা হেল্লি। শম্না হায়রবদা দাটা সেট অমা লৈতনা এনালিসিস তৌবা তারবদি মদুদগী ফংলকপা ৱারোইশিন্দু চুম্লোই। এনালিসিস তৌবসু য়ারোই। মরম অদুনা অখঙ অহৈশিংনা অমদি মরুপ মপাংশিংনা হায়রকই/তাকপীরকই হায়দুনা হেক্তা ঐনা খঞ্জরিবদু হোংদোকলোইদবনি। হোংদোকপা তঙাইফদ্রে খল্লবসু হঞ্জিন হঞ্জিন খল্লবা তুংদা তৌবীগদবনি।

অসুম্না মথক্কী পঞ্জখ্রিবা থৌওংশিংসি শীজিন্নদুনা মমিং থোনবীরবা ইন্টরপ্রাইজ অদু হৌজিক্তি Ministry of Micro, Small and Medium Enterprises, Government of India গী মখাদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়ারে। হায়রিবা রেজিষ্ট্রেসন অসি তৌবগী কান্নবা করিনো অমদি করম্না রেজিষ্ট্রেসন তৌগদগে হায়বগী মতাংদা মথংগী চেফোংদা ইজরক্কে।

অদোম্না পাবীবদা কান্নে হায়না খনবীরবদি অতোপ্পদা স্যের তৌবীয়ু, মেল থাবীরক্তুনা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নসি। মথংগী আর্টিকলগীদমক্তা য়ূমশকৈশা অমুক ঙাইমিন্নরসি। পাবীরিবশিংবু অমুক হন্না খুরুমজরি। ●

---

# মালেমদা মীৎয়েং থমহৌদবদগী থোক্লকপনি

- অহন্থেম ইরাবোত মীতৈ -

‘‘ইমাদগী হৌবনি, ইমাদবু লোইগদবনি পোকপা শিবগী পন্থুংনি’ লুচিং পুরেল পোৎশংবম পিশক মীতৈ। অহল-লমনগী ৱাফমদা অরায়বদা অরুবা লৈবনিগা চপ মান্নবা ঐখোয়না তরায়না লৌফম থোক্তে। অহল ইবুংঙোগী মথক্কী ৱাফম অসি মোদর্ন সাইন্সকী থিওরি অমসুং লৈশেমলোনগী ৱাংঙুলোনগা চপ মান্নবা মালেম পূম্বা য়ান্নরবা অমনি। মালেম অসিদা লৈরিবা মীওইবা কাঙলূপ খুদিংমক অদুগী লাইনিং লাইশোন্দা য়াওরবা অদুগুম্বা ৱাফম অসিবু মীওইবা কৌবা ঐখোয়না অপাম্বা, কল্লকপা, মীহৌবনা থুমহৎ-খদুনা মথক্কী ৱাহৈশিংগী ৱাহন্থোক মীওইবা অমত্তনা খন্থবা ঙমদবদগী ঙসিদি মালেম অসিদা লৈরিবা অহিংবা কৌবা ঐখোয় খুদিংমক অৱাবগী মীকপ মীরাওখোলনা খোঞ্জেল খোন্থাং য়ৈররে।

ৱাফম অসি খঙনদবদি কনা য়াওদরে। মসি হায়দুনসু ইজরিবগী পরিংদা মখা চত্থবদি তঙাইফদবনা অৱাৎপদা মেনখৎপীয়ু, অরানবদা মীয়াম খঙনা চুমথোকপীয়ু। মীওইবা তাইবঙগী অপোকপী পলেম অমসুং অপোকপা পন্থৌ অনীদি মথংশিংনা মালেম ইমা অমসুং শোরারেলদা থোক্লিবা কোরৌ নুমিৎনা পন্থৌ ইপানি। পাবিরিবশিংগী মরক্তা ৱায়েৎ পীবীনীংবা য়াওবীরবদি সাইন্টিষ্টশিংগী থিওরিদা ইরিবা ওরিজিন ওফ লাইফ হায়বদু নৈনবীরো।

অমরোমদা অহিংবশিংগী মরক্তা তাইবঙ মীওইবা খক্তদা লাইনা খন্থবা ঙম্নবগী ৱাখল লৌশিং পীবিরম্মী। মসিগী মতিক ময়াই অসিবু মরম, মতম চানা শীজিন্নদবদগী ঙসিদি মীওইবা ঐখোয় ৱাবগী অকি-তুজুংবগী পন্দোন লোমলে হায়বা য়াই। মালেম ইমাগী তম্পাক্তা লৈরিবা হিংলিবশিং অহিংবশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফত্তবা তমথীবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়না ওইরি। মসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱাখল অমসুং লৌশিং মীওইবদা লৈরিবা অসি ঐগী ইশাগী খক্তা খল্লগা শীজিন্নখিবদগী ঙসিগী শোকচিল্লিবা ঐখোয়না লৈরিবা মালেম অসি ওইরক্লিবনি। ওইরক্লিবা মালেমগী ফীভমনা তাকপদি ইজরিবা ইশামক য়াওনা মালেম অসিদা লৈরিবা ৱাখল শোয়নায়রবা অঙাওবা নত্তনা মীওইবা হেক হায়না খঙনরবা মীপূম খুদিংমক মালেম ইমাগী মাঙনবা তাক্লবা য়ৈখায়বা থিনগায়বা তৌই হায়বসি খুদম চাংদম্না ঙসি ঙসিমক্কী শুরোলনা থেংনরি।

মীওইবা অমত্তনা ফনা হৈ-শিংদুনসু মালেম ইমাবু মাঙন-তাক্লবা তৌদে হায়দুনা নান্থোকপা য়ারোইদবনি। মথক্কী ৱাফম অমুক হঞ্জিন্না নৈনজরবদা পলেম পন্থৌ অনী ওইরগসু পোকপীবদি পলেম ইমানা ওইবা মতৌগুম কোরৌ মালেম ওইরগসু অহিংবা খুদিংবু পোকপীবদি মালেম ইমানি। মীওইবশিংগীনা পলেম পন্থৌ, ইমা-ইপা অহিংবশিংগীনা মপী-মপা পোকপীরিবী মালেম ইমাদি ওইবী মহাকপু মীওইবা তাইবঙ ঐখোয়না হকনা লুনা লৌরোইদবগী মরম করি কদায়দবু লৈরিদগে?

তাঙ্কক অমদগী মীওইবগী ৱাখল অমসুং লৌশিং মরম চানা খনখিদবা, শীজিন্নদবা অমদি তৌখ্রে, তৌরি হায়বা ৱাফম লাক্লিবসি মতাং অসিৱাইদনি। হায়বদি মীওইবগী পলেম ইমাদদি অকনবা খম থেংবা নুংশিবা মীৎয়েং থল্লি অদুগা পূম্নমক অসিবু পোকপীরিবী মালেম ইমা অসিদদি মহাক্কী তম্পাক অসিদা লৈরিবা মীওইবা অমত্তনা মীনুংশি ফাওবীবা, পূক্নিং চিংশিনবা ঙমদ্রি। মালেম অসিদা মীওইবা ঐখোয়না হিংবা অমসুং লৈবদা ওইথোক্লোইদৌরিবা অৱাবা চৈথেং, অকি-তুজুংবা ফাওরক্কদৌরিবসি ৱাফম অসিদগী পূম্নমক হৌরক্কদৌরিবনি, ওইরক্কদৌরিবনি। হীরম অসোমদা কনাগুম্বা অখঙ অহৈ লুচিংবা অমত্তগী থম্মোয়দা নৈনজরিবা ৱাফম অসিগী মমি অমত্তা তাদ্রি। মালেম অসিদা লৈরিবা অনকপা অরাপ্পদগীবু ওইরো লমজিংবা অমসুং লময়ানবা মীওই অমত্তা থোক্ত্রি। মসি মীওইবা খুন্নাই ঐখোয় অমসুং তুংগী শুরোলদা অচৌবা চৈথেং পীবা হৌরক্লবনি, পীরবনি। মসি য়াম্না নুংনাংনীংঙাই ওই। হীরম অসিগী মতাং, মরম, ৱাফমদা মীওইবা ঐখোয়গী থম্মোয়দা মালেম ইমাদা নুংশিবগী ইহুল ইরিক অমত্তা ফাওদ্রিবসি অঙকপা ময়ামগী মনুংদা খ্বাইদগী অঙকপা অমনি।

মালেম ইমানা অহিংবশিংগীদমক লৌরিবা থৌদাং পূম্নমক্না খঙই, খঙদবা কনাসু য়াওদে অদুবু মীনুংশি হায়বদু মালেম ইমা মঙোন্দা ফাওবীদে। অদুগা পলেম ইমাবুদি খম থেংনা নুংশিবা মীওইবা খুদিংগী থম্মোয়দা ফাওরি। লুরিবদি তাইবঙগী পলেম ইমা অমসুং মালেম ইমাগী থৌদাং অনীগী খেন্নবা করিসু লৈতে। খেন্নবা হায়ববু পলেম ইমানা অহিংবা অদুগা মালেম ইমানা থৱায় পান্দবা অমখক ওইরুবগী ৱাফমনি। অহিংবা অমসুং থৱায় পান্দবা অমত্তা ওইবা অনীবু তোঙান্না মালেম ইমাবু মীওইবনা লৌবদগী মীৎয়েং থমদবা, মিৎয়েং শামলুবদগী ঙসি মালেম ইমা মহাক্কী তম্পাক্তা লৈরিবা অহিংবা মীওইবা ঐখোয় করি ফীভমদা লৈরে, লৈরি পূম্নমক্না খঙনরে। ঙসি মালেম ইমাগী তম্পাক্তা মীওইবা ঐখোয়না অকি-তুজুংনা হিংলিবা অসিদগী কোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পান্থেদি ঐখোয় মীওইববু পোকপীরিবী পলেম ইমাদগী পূম্নমকপু পোকপীরিবী, তাইবঙ মীবুসু পোকপীরিবী মালেম ইমাদা হেন্না হক্লা লুনা লৌগদবনি হায়বা ৱাফম অসি ঙাকপা ঙমদ্রগদি মীওইবা তাইবঙ ঙসি লৈরিবা ফীভম অসিদগী শরুক কয়া হেন্না অৱাবা নংলকখিগনি, অকি তুজুংবা ফাওরকি-খগনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক ৱাখল লৌশিং তামিন্নবা য়াম্নমক তঙাইফদবরা হায়বসি মীয়ামদা থমজরি। ●

---

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## নোংচুপ থোঙ ঙাক্লিবা জিরিবাম মীয়ামগী মীওক মীচান

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

জিরিবাম, ষ্টেট কেপিটেল ইম্ফালদগী নোংচুপ পাংনা চাওরাক্লা কিলোমিটর ২১৬ রোম লাপ্না চৎলগা লৈবা টাউনসু ওইবা, পঞ্চায়টি রাজ ইন্সটিট্যুসনসু কোনবা অদুগা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসু ওইবা তম্পাক লমওই, চীংওই, করিওই তৌবা মহৌশা খূৎশেমগী পিক্তক্লা ফুরুপ শুনা তাবা অপিকপা ইন্দিয়া অমগী শকওং-শক্তম লৌরিবা মহৌশা খূৎশেমনা শুমহৎলিবা পূক্নিং হুনা ফজবা মণিপুরগী ঐতিহাসিক ওইরিবা তোপ তোপ্পা মতিক মগুন চাওবা মফম অমনি।

জিরিবাম, ঐখোয় মণিপুরগা য়ূমলোন কৈরোন্নরিবা অসাম ষ্টেটকী কছার দিষ্ট্রিক্টকা তাইননা লৈবা য়াম্না মরু ওইবা ঐখোয়গী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অনী/অহুমগী মনুংদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা নেসনল হায়ৱে ৩৭না ফাওদুনা চৎলি। হান্নদি ইম্ফাল ইষ্টকী সব দিভিজন অমা ওইনা লৈরম্বদগী জিরিবাম মীয়ামগী অপাম্বা অনীংবনা ঙসিদি ফুল ফ্লেজেদ রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা কুমজা ২০১৬তগী ওইরক্লি। চাওরাক্লা স্কৱার কিলোমিটর ২৩২ রোম পাক চাওবা, য়ূমকোকনা ৪৩৮১৮ লৈবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা ব্লোক ২, গ্রাম পঞ্চায়ট ৬, অপূনবা ভিলেজ মশীং ৩৭ অমসুং জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী অপূনবা ৱার্দ নম্বর ১০সিদা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা হিংনবগী লানফমদা লাম্থেংনরি মহৌশা খূৎশেমগী মশাইগোনসিদা। জিরিবামগী মীওক-মীচান ফবা, তাথোক-তাশিন য়াবা, ফুরুপ অমনা অমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা মফমসিদা থবক ইনখাং শূবশিং, লৈঙাক্কী থৌগাই পুরিবা-পুরিবী ওফিসর/এমপ্লোয়ীশিং অমদি মফমসিদা পোষ্টিং তারিবা মণিপুরগী, লৈবাকসিগী তোঙান তোঙানবা কাচিন কোয়াদগী লাক্লিবা শিন্মীশিং য়াম্না নুংঙাইনা লৈরি, লৈসু লৈখিনি। অদুম ওইনমক পেন্দবা খরসু জিরিবাম মীয়ামগী মায়কৈদগী লৈতবসু নত্তে, লম্বী সোরোক্কী ফীভম ফহনবা, টোটি ঈশিং, টেপ ৱাটরগী মঙলান মঙফাওনহনবা, জিরিবামদা পোষ্টিং লাক্লিবা লৈঙাক্কী থৌমীশিংনা নে-না তানা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টসিগী তোঙান তোঙানবা লোইশঙশিংদা লৈবা পাল্লি। মহৈরোয়শিংগী লূপ, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু ইলেক্ট্রোনিক প্রিন্ট মাস মীদিয়াদা অনা লায়েংশঙ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, মহৈ মশীনগা মরী লৈনবদা স্কুল, কোলেজগী অৱাৎ-অপা য়েংশিনবা, অপেন-পেন্দা ফোঙদোকপা য়াম্না তোয়না থেংনরি।

অমবু ওইরো অমবু ওইরো জিরিবামগী মহৌশাগী পোখোক্লা হৌজিক হৌজিক ঐখোয় শ্বাইদা শারবা কালেনগী মৈশা কাউহনবদা য়াম্না চাউনা মতেং পাংলি। তগৎ তগৎ তেকপা হৈ-রা খুদম ওইনা হায়রবদা লিটচি, হৈনৌ, লফোই, অৱাথবী, থৈবোং, লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবদা ক্বা, য়ুবী, রব্বর প্লান্ট, অগোর, য়োংচাক পান্বী থাবা, শা-ষণ লোয়বা, জিরি, বরাক তুরেলদগী মতম মতমগী ঙা ফাবা অমদি য়ূমদা শূজ-নোমজরগা পুথোকপা জিরি চেঙপাক শুবা, চাকহাওগী তল (চৈরাওবা অমদি ইদতা য়াম্না পাম্না চানবা), সিলচর/জিরি য়োৎকী খাং পনবা য়াবা চাওথোকচনীংঙাই ওইবা, ইনকম লৈবা শিন্থা শিনফম ঙাক্তনি। মহৌশা খূৎশেমনা পীরিবা ঐখোয়না হিংবদা য়াম্না চাউনা মতেং ওইরিবা ময়ামসিদা নোংচুপ থোঙবু ঙাক্লিবা জিরিবাম মীয়ামগী মীওক-মীচানননা ঐখোয় খ্বাইবু নুংঙাইনা মতেং-ইতেং তৌনদুনা হিংমিন্নরি, হিংসু হিংখিগনি জিরি ইমাগী মতম্পাক্তা।

*অদোমগী - ৱাহেংবম প্রেমচান্দ কুম্বীচা শগোলবন্দ হৈনৌপোক*

## হেন্না কনশিনবা খোঙথাং তঙাইফদে

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ভোটকী মতমদা য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা ভোটকী ভিক্ষা নিখিবগুম্না ঙসিগী মতমসিদসু য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা হংবা চুমগনি। লাইচৎকী তাঞ্জা অসিদগী মীচম মীয়াম্বু অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা য়েংশিন্দুনা শেন্নবীবা মথৌ তাই। কন্টেনমেন্টে জোন/কর্ফিয়ুনা লৈত-লায়রশিং কুফা মনুংদা থম্বগুম থোক্লে। মসি নত্তবা অতৈ অতোপ্পা পাম্বে অমসুং খোঙথাং লৌখৎকদবনি। মপান থোকপা থিংদুনা ইমুংদা লেঙদনা লৈহল্লিঙৈ মতমদা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা মরু ওইবশিং খরদি শোয়দনা য়ূমথোঙ খুদিংদা ফংহন্নবা শিনগদবনি। মৈ, ঈশিংগী মথক্তা নোংমগী চরা অনী ফংহনবা হায়বসি লৈঙাক্লা চেকশিন্না য়েংশিন্দুনা ফংহনগদবনি। লায়রবনা হেন্না নম্না লৈবা লৈবাকসিদি থমখো, হেন্না চাওখৎপা ইনাকখুনবা লৈবাকশিংদসু লায়না অসি খঙবা (কোভিদ কন্সিয়সনেস) ঙম্নবা হোৎনরিবসি ফাওবদা অরুবা কয়া মায়োক্নরি, খঙবা ঙমদ্রি। কোভিদ কন্সিয়সনেস থৌশিল অমসুং খোঙথাং কনশিন্না লৌখৎপা মতম ওইরে। চেকশিন থৌরাং হেন্না কনশিন্না পায়খৎপদা নত্তনা ফংহনফম থোকপা পূম্নমক অমত্তা ৱাত্তনা ৱার ফুটিংদা থবক য়াওশিনবা চুমগনি। মরমদি মহীক অমসুং লায়না লাইচৎকী মওং মরীল মখল মথেল হেন্না শাথীবা ওল্লক্লি।

এয়রপোর্ট, জিরিবাম, মাও, মোরে ফাওনা চঙলকপশিং সর্টিফিকেট পায়বসু পায়দবসু লোইনমক টেষ্ট তৌনবা কোভিদ টেষ্টিং য়ুনিট নৎত্রগা সেন্টর থমগদবনি।

কোভিদনা হেন্না শোকচিল্লকপনা মদুদগী হেনবা মেনপৱার নৌনা হেনগৎহনগদবনি। লোয়ননা খূৎশু খূৎলায়, হীদাক-লাংথক চঙদবা য়াদবা পূম্নমক মরাং কায়না ফংহনগদবনি। অহেনবা মেনপৱার রিক্রুট তৌদুনা শীজিন্নবা য়াই। মতিক চাবা ইন্সেন্টিব পীগদবনি।

য়ূমথোঙ খুদিংগী টেষ্ট তৌনবা অমসুং টিকা থানবা অকনবা খোঙথাং লৌখৎকদবনি। লোয়ননা মমল লৌরোইদবনি। থৌশিল অমা পুথোক্তুনা লৈঙাক্না য়ূমথোঙ খুদিংদা খুদোংচাবা পূম্নমক ফংহন্নবা শিনগদবনি। লাইচৎতগী ঙাকথোকপগা লোয়ননা শোকহন্দনবা অশি-অনা থোকহন্দনবা খুদোংচাবা পূম্নমক ইমুং খুদিং ফংহনগদবনি।

কোভিদ ইমর্জেন্সি অমসুং কোভিদ পুল শেমদুনা লাইচৎসিগী মতমগা চাননা অমসুং চুননা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ুগী মহুৎ শিনবা য়াবা ফোর্মুলা নৎত্রগা পোলিসি শেম্বা য়াব্রা হায়বদুগী পূক্নিং চিংশিনবা মতম ওইরে। লাঞ্জাও অমা থেংনবদা লৈঙাক্না অমসুং মীয়ামগা করি তৌফম থোকপগে হায়বগী চপ চাবা তৌগদবশিং অমসুং তৌরোইদবশিং ঙাক্লা চৎনবা পোরমশিং য়াওগদবনি।

লোইনাইদ্রবা মহীকসিগীদমক্তা লোইনাইদ্রবা ঈহৌ অমগী খোঙজং মথৌ তাই।

*অদোমগী - ডা. হাওবম ইন্দ্রকুমার*